# মণিপুরগী নাৎ-কলচর লাইনীং লাইচৎকী থৌরমশিংগা শাগোন্নরিবা মেরা থা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ওলাংথাগী খোয়শাউ লিনশাউবা নেমথরকপা নীংথমগী ত্রৎ ত্রৎ লাউনা ঈংবসু য়ৌরক্ত্রিবা মেঙনা নুংওনবী মেরা থানি। থাবলনা মরোল অমা পূক্রিং হুবদা হায়নরিবনি। হন্দক্কী মেরা থাসিনা অসুক য়াম্না ওল্লাঙ ওনশাউরিবসিবু কৈদৌরজাৎনো? অঙৈং অশাগী ফীভম হোংলকপা হায়দুরা? মহৌশা লাইরেন্বীসে মতৌ থীনা শাউরকপা মাল্লে। মহৌশাগী খোঙচৎনা কায়রকপনে মীওইবা মরক্তা লৈরিবা নুংশিনবগী ঈচেলনা অসুম অসুম কংশিল্লকপনে লৈতাফম অমা ইখঙ খঙনদ্রে। মীখলগী ঈনিল ঈৰাইরকপসিদা মীকাসে মী ওইনা খন্দবা য়াম্না য়াওনরে। মাগী মাগী মীচঙ খোম্নদুনা লানগী লাল্লোং শেম্নদুনা পুমশা শাগৎনদুনা লৈরে। চীন কাঙজে য়ৈনবতমক ওইরিঙৈদদি কুম্মৈ য়েংবগুম ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা শন্দোকপা ময়াং ইম্ফাল তোন্বী, ওইনাম বাবু, তখেল্লম্বম চাওবনচিংবগী ঈপোম তাবদৌনা নুংঙাইবা ফাওবসু য়াই। উতুপ-ৰাতুপ, লৈতুম-নুঙদুম্না থোম্নবদগী হেন্দোক্তুনা থাঙ-তেন, নোংমৈনচিংবকা য়াওনরকপসিদি কৈনোমা তৌশিল্লক্লে। দেমোক্রেসিবু লৈখা তানা চিংথরিবা থৌওং থৌচৎসিনা ওইরমগনি মেরা থা ওইদুনসু ইশা শাগৎতুনা ওলাঙ ওনশাউনরিবসি। মসিদবু মেরা থাবলগী নুংওনবা মতৌ লৈখিদ্রা? মতম অমদা মেরা থাবলদা ঙাওজবী সনারৈ লৈরাংনা পুমঙান ঙান্না শাৎলকপদো কয়াগী মতিক নুংশিবা, ফজবা, শৈথাবগীসু পেনবা নাইরোই। অশৈবা শৈশকপা কয়াগী শৈথানা অতাবশিংগী পূক্রিং ৰাখলবু হুমদুনা পুই, থম্মোয়বু শুমহৎলি। মরিং ইপা, ইতোন, ইমা, ইন্দোনশিংনা তমগী কৈথেল কারকপদা সনারৈনা নাগী লৈতেং ওইবদো ঙসিদি উবা ইফং ফংখিদ্রে। চীং-তম খায়দবী মেরা থাগী সনারৈনি।

মণিপুরগী ওইনদি ওন্থোক্না মমল লৈখ্রবা মেরা থানি। ৰাখল লৌশিং চঙখোল্লবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা নাৎ-কলচর, লাইনীং-লাইচৎকা মরী লৈনবা থৌরম পরেং ময়াম অমা থন্বীরম্মী। থৌরমশিং অসি ঙসি ফাওবা কায়দনা অদুম্মক পাঙথোক্লিবনি। মেরা নোংমা পানবদা লৈবাক মীয়াম্না নিংথৌদা অনৌ অপেন কত্তুনা লৈঙাক অমদি মীয়ামগী মরক্তা লৈরিবা অচেৎপা মরী অদু ফোঙদোক্তুনা ***মেরা চাউরেন হৌবা*** হায়না ঙসি ফাওবা লৈরি। লাইনিংথৌ লাইরেন্বীদা মনা মশিং, অঙনফৌ অনৌবনচিংবা কৎলগা চনৌ তংই। পান্থোইবী ঈরাৎ থৌনি পাঙথোক্তুনা থা অসি মতিক ময়াই লৈহল্লিবনি। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা হিন্দু লাইনীংনা মপান মরা তাখিবগা লোয়ননা দুর্গা লাৎপগী থৌরমসু অনৌবা ঈনোৎ অমা ওইরকখি। থা অসিবু থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথাবা য়াবদি চীং-তম অমত্তনি হায়বসি উৎপা থৌরম খরা পাঙথোক্লম্বসিনি। মেরাগী তরানি পানবা নুমিত্তা পাঙথোকপা ***মেরা শন্দুবা*** শীংথাবা য়াই। লৈবাক নিংথৌগী থৌশিল মখাদা পাঙথোকপনি হায়বগী ৰাফম অখঙ অহৈশিংনা থন্বীরম্মী। কংলা নুঙ্গোইবীগী লাইফমদা শন্দং হায়না খঙনবা শা মখল অসি শরেল কৎলগা থোংদুনা চীংমীশিংবু পীজ পীথক তৌই। ককচীংদসু মমাঙঙৈদা মেরাগী তরানিথোইনি পানবা নুমিত্তা শা-ষণ নৎত্রগা ঙানু য়েন্না মহুৎ শিন্দুনা খুনগী খুনজিন্দা কৎলগা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোক্লম্বগী ৰাফম অহল লমনশিংনা তাকপীরম্মী। ঙানু, য়েন অদু থোংলগা ককচীং খুনগী অকোয়বদা খুন্দারিবা চীংমী ইপা ইতোনশিংগা খুনগী অঙম অথৌ য়াওনা হরাউ তয়াম্না চামিন থকমিন্নরম্মী। চাবা থকপা লোইরবা মতুংদা চীংগী ইপা ইতোনশিংনা খৌশাদুনা নুংঙাইরবা কুম্মৈ উৎলি। পূন্নমকসিগী মথক্তা মেরাগী থানিলদা পাঙথোকপা মেরা হৌ চোংবা লৈরি। পঞ্জরিবা থৌরমশিং অসি কায়দনা পাঙথোক্লিবমখৈ মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শীংনরকপা খুদিংমক থেংনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

***ক্বাক তানবা*** থা অসিগী তরানি পানবা নুমিত্তা পাঙথোকপনি। লৈবাক্কী অফ-ফত্ত খুদম চাংদম য়েংননবা পাঙথোকপা থৌরম অমনি। থৌরম অসি মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদা হৌদোকখি হায়বগী ৰাফম শক্লাইরবা স্কোলর এল অশোক কুমারনা থন্বীরম্মী। মসিগী মমাঙদা মসিগা হায়রপ মান্নবা ***উকায় কাপ্পা*** হায়বা থৌরম অমা চহী খুদিংগী ফাইরেন থাদা পাঙথোক্লম্মী হায়। তাইবঙ মীওইবগা ক্বাক হায়বা উচেক অসিগা লৈনরিবা তৎন-থানদ্রবা মরী অদু ক্বাক তানবনা ময়েক শেংনা উৎলি। থৌরম অসি পাঙথোক্কদবা নুমিৎ খরনি ৰাৎলিঙৈদা চীংঙা, নোংমৈবুং, ললহাম্পুং হায়রিবশিং অসিগী মনুংদগী নুমিৎকী পক্লবা মতুংইন্না মফম অমদা নুংতিগী ক্বাক্কী মচিঞ্জাক থাদোক্তুনা ***ক্বাক থেঙ্কী*** থবক তৌই। চাকতাবা লাকপা ক্বাক অদুনা পাইখিবা মায়গৈ অদুনা কুম অদুগী অফ-ফত্ত তাকই। লৈবাক্কী অখঙ অহৈ, মাইচৌ, অঙম-অথৌনচিংবা তানদুনা থাশি মায়গৈ থোক্তবা মফমদা ক্বাকশঙ শাবগী উরেপ উয়ুং তম্নবা নুমিৎ পুংফম লেপ্পী। লৈবাক নিংথৌ, অঙম অথৌনচিংবা য়াওনা লৈবাক মীয়াম ক্বাকশঙদা তিন্দুনা ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোকই। লাইফম, খাবম, অহল্লুপ অমসুং নহারুপ পানাগী খনগৎলবা মীওইশিংনা থাঙ-তাগী কুম্মৈ পাঙথোকই। তানখিবা ক্বাক অদুনা অৰাং, চীংখৈ, নোংপোক অমসুং কৌব্রুদা পাইখ্রবদি অফ-নুংঙাইগী খুদম চাংদম্নি হায়না থাজনৈ। অতোপ্পা মায়গৈদি অৰা অনাগী খুদমনি হায়না লৌনৈ। অসিগুম্লবা মৈতৈগী থাজনবী অমদি নাৎ-কলচরগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা থৌরম অসিগা হিন্দু কলচরগী মনুং চন্না লৈরিবা বিজয়া দশমীগা ঈরোয়ননা রাবন কাপ্পগী থৌরমগা পাঙথোকমিন্নবগী ৰাফমসু লৈ। অদুবু নুংদা চেল্লিবা ঈচেল য়েংলগদি ক্বাক তানবগা রাবন কাপ্পগা মান্নদে। ক্বাক তানবদি কুম অমদা লাক্কদবা অৰাবা নৎত্রগা নুংঙাইবা থৌদোক্কী খুদম চাংদম খঙহনবনি। মদুগা লোয়ননা উচেক ৰায়াশিংগা তাইবঙ মীওইবগা লৈনরিবা থাদোক্লবা য়াদবা মরী অদু উৎপগা লোয়ননা ক্বাক্কা শাগোন্নরিবা তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই অদু তাকপনি।

মেরাগী থানিল নুমিত্তা পাঙথোকপা চীং-তম অমত্তনি, তোখায়বা নত্তে হায়বা উৎলিবা মেরা হৌ চোংবগী মতাংদা অতোপ্পা ৰারেংদা থমজখ্রে। নুমিৎ অসিদা পাঙথোকপা য়াম্না মরু ওইবা ঈরাৎ থৌনিগী ওইবা থৌরম অমসু লৈ। লাইনিংথৌ সনামহী, পাখংবগী লাইনীং লাইচৎকা শাগোন্নরিবা ***মেরা মেন তোংবা*** থৌরমনি। মদুদসু নত্তনা লাইবুংথৌ মাপন অমসুং লাইনুরা তরেৎনা মৈতৈগী লাইনিং লাইচত্তা কল্লিবা ফিদাবুসু থৌরী অসিনা তাক্লি। লাইনিংথৌ সনামহী অমদি পাখংবগী ফন্বাল শেল্লগা লাইবুংথৌ মাপন অমসুং লাইনুরা তরেৎকী খুভমশিংনা কোয়শিন্দুনা থম্মী। লাইনিংথৌ অনীগী মমাঙদা লৈবাক্কী চফু খিন্দুনা থম্মী। য়েক তরেৎকী ওইবা মচু তরেৎকী ফীরান কত্তুনা থৌনিজৈ। অসুম্না লাইনিংথৌ সনামহী অমদি পাখংবা লাইনীংগা শাগোন্নরিবা ***মেরা মেন তোংবা*** থৌরম অসি অঙনবা মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লবনি হায়বসি নিংথৌরোল লম্বুবা অমদি শাকোক লম্লেন্নচিংবদগী খঙবা ঙম্মী। অসুক য়াম্না মরু ওইখ্রবা ঈংনা মেঙনা লৈজগদবা মেরা থাসিদা মীখলগী মিংদা তাবদা শৌবিং শৌবিং লাউবা থৌদোক পঙথোক্তা থোকপসিদি হেনমল্লি হায়নীংই। সুম তৌদুনা লৈরদি মেরা থাবলগী মোমোন মীনোকসু মাঙখ্রগনি। সনারৈগী মতিক মঙালসু হন্থখিবা য়াই। অদুঙৈ দুর্গা লাৎপগী ঙাক্রা থবৎ ককপদা মকোক্তু দুর্গা লৈফমদুদা চোঙশিনখ্রবদি নীংজবা থুংই হায়না থাজবা, ঈনা লাইবক্তা নম্বগী থৌওং মাঙশিল্লক্লবনি। হিংসাগী থবকসি মখা তাহন্নীংদে। ●

ষ্টেটকী পাউ

## পাৎশোই এ সীগী মীয়াম্না চহী ২০ মুকসি অওনবা অমত্তা উদ্রি : রামেশ্বর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস):

শাংলবা চহী ২০ অসিগী মনুংদা পাৎশোই এ সীগী মীয়াম্না চাওখৎপগী লম্দা অওনবা অমত্তা উবা ফংদ্রি। ইথৈ লৌখোং অমদি অনা লাইয়েং শঙ ফাওবা মতিক চানা লৈত্রি। মরম অদুনা মীয়াম্না এ সী অসিগী থবক তৌরক্কদবা মীওইশিংবু এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না সোসল ৰার্কর অমদি এ সী অসিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট আর কে রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি পাৎশোইগী ৰাই দল্লিয়ু সী প্লে গ্রাউন্দদা 'য়াইফ ফম্বাক শঙলেন' হায়না মিংথোনবা পাক চাওরবা ষ্টেজ অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। ষ্টেজ অসি আর কে রামেশ্বর মশামক্লা পাৎশোইগী মীয়ামদা চাওখৎ থৌরাংগী, এৱ্যারনেস অমদি শান্ন-খোৎনবনচিংবা থৌরমশিংদা শীজিন্নবগীদমক কৎখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তানা হায়, ঙসি পাৎশোইগী মীয়াম্না থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংদ্রি, ইথৈ-লৌখোং মতিক চানা লৈত্রি, অনা লায়েংনবা প্রাইমরি সব হেল্থ সেন্টর অমা খক্তা নত্তনা



কম্ম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অমদি প্রাইমরি হেল্থ সেন্টর অমা ফাওবা লৈত্রি। লোয়ননা লৈঙাক্লা লৈত-লায়রবা মীওইশিংগী প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনাগী মখাদা য়ূম শাবিগনি হায়না লৈঙাক্লা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবসু ঙসি ফাওবদা লৈত লায়রবা মীওইশিংগী য়ূম অমত্তা শাবিদ্রি। স্কিম অসিগী মখাদা য়ূম খরবুদি শারম্বা য়াই অদুবু তঙাইফদনা য়ূমগী মথৌ তারিবা মীওইশিংগীদি য়ূম শাবিদ্রি। পূন্নমক ফংফম থোকপা মীওইশিংনা ফংবগী মহুৎতা মীচঙ শঙ্গন লৈবা শেল পায়বা মীওইশিংনা মদুগী কান্নবা লৌদুনা লৈরে। মরম অদুনা করিগুম্বা মীয়াম্না থাজবা অমগা লোয়ননা এ সী অসিগী মীহুৎ ওইহনবিরবদি ট্রান্সপরেন্সি অমদি একাউন্টেবিলিটি লৈনা থবক তৌগনি। লোয়ননা মতম পূন্নমক্তা মীয়ামগা লোয়ননা চৎপা ঙম্নবা অমদি মীয়ামগী অৱাবা-খুদোংচাদবশিং ইশাদা থোকপনি খন্না থবক তৌগনি। ষ্টেটকী শেল লৈত্রবসু মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরদগী অমদি তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী লৌথরগা মীয়ামগী চাওখৎপা য়াবা থবক-থৌরমশিং পায়খৎকনি। লোয়ননা পাৎশোই এ সীদা লৈরিবা ওল্ড এজ পেন্সন অমদি ৱিদো পেন্সন ফংফম থোকপা মীপুম খুদিংমক্তা ঐহাক্লা শেমজরিবা ট্রষ্ট অমগী মখাদা অমদি লৈঙাক্কী মনুংচন্না শোয়দনা ফংহনগনি হায়নসু মহাক্লা থৌরম অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পাৎশোই পার্ট ১গী এন এল দি এগী ভাইস প্রসিদেন্ট নাওরেম ইবোমচা, জেনরেল সেক্রেটরি এল দিনেশ্বর, ৱিমেন দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম শ্যামজিনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## বি জে পি লৈঙাক লাকখিবদগী নহাশিং সাইকিএট্রিনা নাহল্লে : লোকেন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস):

লমদম অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক হেক লাকখিবদগী লমদম অসিগী নহাশিংদা মতমগা চুনবা থবক পীবা ঙমদবদগী নহা পূন্নমক সাইকিএট্রি লায়নানা লোয়না নাহল্লে হায়না এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট অমদি নম্বোল এ সীগী এম এল এ নামৈরাকপম লোকেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি কোন্থৌজম কেন্দ্র ব্লোক কোঙ্গ্রেস কম্মিটিনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট অমদি নম্বোল এ সীগী এম এল এ নামৈরাকপম লোকেনবু তরাম্না ওকপগী হান্নগী লোকসভাগী এম পি ডা. থোকচোম মৈনাগী খুম্বোং জোয়পুরখুলদা লৈবা য়ূমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, কুমজা ২০২৪দা সেন্টরগী মোদিনা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক্কী মতম লোইরগনি অমদি মণিপুরদনা এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক থা মঙাগী মনুংদা লোইখ্রদুনা মণিপুরদা অমুক হন্না কোঙ্গ্রেসকী লৈঙাক লাক্লগনি। হৌখিবা ইলেক্সনদসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক শেমখ্রবসু বি জে পিদগী কোঙ্গ্রেস পার্টিনা সিট মশিং হেন্না কাখি। অদুবু সেন্টরদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈখিবনা মতম অদুদা নম্ফু-শাফুদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অদু শেম্বা ঙমখিবনি। অদুবু হন্দক্কী লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদদি কোংগ্রেসনা মোজারিটি ওইদুনা লৈঙাক শোয়দনা শেমগনি।

মীয়াম্না সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈবনা মণিপুরদসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাক্লবদি চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলক্কনি খনখিবদু ঙসিদি তায়ওন্নরে। সেন্টরদা মান্নবা পার্টিগী লৈঙাক লৈত্রবসু মণিপুর ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইবনা চাওখৎনবগী থাদরকফম থোকপা শেনফমশিং অদুমক থাদরক্কনি। ঙসি পোৎচৈগী মমল অমদি পেট্রোলিয়মগী প্রদক্টশিং য়াওনা চাকথোং গ্যাসকী মমল হেনগৎলিবা অসি কোংগ্রেসনা পাল্লিঙৈ মতমদদি লৈখিদে। বি জে পিনা চাওখৎপা হায়রিবসি খুঙ্গংদি লায়রদনা ইম্ফাল মনুংগী লম্বী ফাওবা লৈখোম থোক্লা লৈরিবা অসি ওইগদৌরিব্রা হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হান্নগী লোক সভাগী এম পি ডা. মৈন্য, কোন্থৌজম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইগনি হায়না থোরল্লিবা লাইশ্রম বিজয়, লাইশ্রম নন্দো অমদি অতোপ্পা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অনীসু শরুক য়াখি। লোয়ননা এম পি সী সী ইম্ফাল ৱেষ্টকী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ এ প্রমোদিনি, সেক্রেটরি ইন-চার্জ ৱাই রতিমঞ্জুরিসু শরুক য়াখি।

## ফংফম থোকপা চাকথুং ফংদবা লাইবক থীবনি : মহেশ্বর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস):

লমদম অসিগী মীয়াম্না ফংফম থোকপা রাইট ওইরিবা লম্বী-থোং, থক্লনবা ঈশিং, দ্রেনেজ সিষ্টমশিং ফংদবনা মরম ওইরগা অৱাবা পীবা হায়বসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি হায়না কৈশামথোং এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট মহেশ্বর থৌনাওজমনা ফোঙদোকখ্রে।

আর পি আই অথৱালেগী লেপ্তুনা চৎথরকপা ওফিস হাংদোকপগী থৌরমগী মখা চৎথরকপা ওইনা ঙসি এ সী অসিগী পোল্লিং নম্বর ১২/২৩ থৌদা ভাবোক লৈকায়গী নুপা অমদি নুপীগী ওফিস হাংদোকপগী থৌরমদা মহেশ্বরনা ৰাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা মহাক্লা মখা তানা হায়, ইম্ফালগী ময়োলদা লৈরিবা কৈশামথোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী লম্বী-থোংশিংগী ফীভম নীংথিনা শেম্বিদবা, থক্লনবা ঈশিং ফংহন্দবা অমদি দ্রেন নীংথিনা শেম্বিদবনা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মতম পূন্নমক্তা থেংনরি। অসিগুম্বা মীয়াম্না থেংনরিবা অমদি মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অসি ভোট কারবদি শেম্বি-শাবিয়ু হায়না ফোঙদোকপিরক্লি। মসি হায়ফম থোকপা থবক নত্তে, মসিদা খ্বাইদগী বেসিক ওইবা ফংদবা য়াদ্রবা মথৌ তাবা পোৎশকশিংনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা চহী কয়া অসুক কুইনা মীয়াম্বু ৰাহল্লিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মসিগীসু মথক্তা ইমুং কয়াদা শেন্থোক মতিক চানা লৈতবনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি হেন্না কুপ্না য়েংশিন্নবা মফম খুদিংদা ওফিস হাংদোকপনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লাক্লিবা ইলেক্সন অসিদা মীয়ামনা থৌজানবিদুনা মায় পাক্লবদি হেক মায়পাক্লকপা নুমীৎতগী লম্বী-থোং শেম্বদা নত্তনা ইমুং খুদিংমক শেন্থোক মতিক চানা ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা থৌদা ভাবোক লৈকায়গী অমদি আর পি আইগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

## য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস):

খাবা ঙানবা ফিল্ম প্রদক্সনগী বেনর মখানা নৌনা পুথোক্কদবা মীয়াম্না পাম্না য়েংনখ্রবা ওক্রম কুঞ্জোনা ইবা শুমা লিলা 'ৱারি লোইদ্রি'গী য়াইফ থৌনি থৌরম নোর্থ এ ও সীদা লৈবা হোটেল ক্লাসিকতা পাঙথোকখ্রে।

য়াইফ থৌনিগী থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী সেক্রেটরি সঞ্জু বচসপতিময়ুমনা অথোইবা মীথুং, ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ট্রেজরর নীংঙোম্বম তোম্বনা থৌরম মপু অমদি ফিল্ম অমসুং শুমাং লিলাগী স্ক্রিপ্ট রাইটর রঞ্জিৎ নীংথৌজানা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। অথোইবা মীথুংগী ৰাফম থল্লদুনা সঞ্জু বচসপতিময়ুমনা ফোঙদোকখিবদা সিনেমানা ঐখোয়না তৌরম্বা থবক থৌরমশিং রেকোর্দ ওইনা থম্বদা অচৌবা খুদোল পীরি। থোকখিবা থৌদোক-ৰাথোক অমদি লাক্কদবশিং ফিল্ম ওইনা থমহৌবদা তুংগী মীরোলনা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৰারোল পীরদুনা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ট্রেজরর নীংঙোম্বম তোম্বনা হায়, ফিল্ম অমা মায় পাকপা হায়বসি ফিল্ম অদুগী থৌমীশিংগী কোওর্দিনেসন ফবা য়াম্না মথৌ তাই। আর্টিষ্টশিংনসু ইশা-ইশাগী রোলদা থৱায় হকচাং য়াওনা এক্ট তৌবিয়ু হায়না আপিল তৌখি।


**ADMISSION OPEN**

FOR THE FOLLOWING COURSES

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

HL-B/7197/2/10-31/10

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL



### / ইংখোল য়োঞ্জরি

পোইন্ট ৮ পাক চাওবা ইঙ্খোল অমা য়ূমগা কোন্ননা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীরবদি মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

মফম : লমশাং মখা লৈকাই

Contact No. : 8131042194
8794761374

HL-P/0388/19,20,21



### OFFICE OF THE HIYANGTHANG GP LEVEL MPCS LTD.

### / AUCTION NOTICE

Dated 18th October, 2021

A public Auction of the condemned Agro-Machineries will be conducted on 24/10/2021 (Sunday) at 10:00 am at the office of the Society.

Interested parties are requested to attend this auction at HGPL-MPC Society Ltd. (Regd.No. 27 of 1977-79) office on the above date and time.

Sd/- **Th. Lalmani Singh**
President, The Hiyangthang G.P. Level MPCS Ltd.,
Hiyangthang

HL-P/0389/19



### / WOMEN VENDOR LICENCE LOST

I have lost my Women Vendor Licence bearing Licence No. 651 (old), 029 (new), Seat No. 029, Shed No. 04 issued by Imphal Municipal Council on the way between Wahengbam Leikai and Bazar on 10/10/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Yengkhom (O) Ibeni Devi**
Wahengbam Leikai

HL-P/0398/19



### / ইংখোল য়োঞ্জরি

শিংজমৈ খোংনাং ফৈদেকপীদা লৈবা .4½ (পোইন্ট মরি মখাই) চাওবা ইঙ্খোল অসি অথুবদা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিদা হাপ্পা নুমীৎতগী নুমীৎ তরানি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীরকপা য়াগনি। মখা তাবা ৰাকৎ লৌজরোই। মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা মরী লৈনবা পাউ খুদিংমক ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/0380/18

Contact No. : 8132010849



### /পাইলীং তৌগদবশিংগী ORDER লৌজরি

অদোমগী মফমদা নীংশিংজরি মদুদি য়ুম শাবা, স্কুল শাবা, ৱাল ফেন্সিং অমদি ডাক্টর শঙশিং শানবশিংগীদমক অপাম্বা মওংদা পাইলীং তৌজরি। ঙসিমক য়াম্না থুনা পাইলীংগী ওর্দর তৌবিরকউ। অদোমগীদমক কন্টেক্ট নম্বর মখাদা পীজরি।

HL-P/0394/19, 20

Contact No. 7628093647



### / খঙহঞ্জবা

হৌখিবা১০-১০-২০২১ অমদি ১৮-১০-২০২১, নিংথৌকাবা নুমিত্তা Lamlongei Development Youth Club (LDYC) (Regd. No. 566 of 1965) কী Reorganisation General Body অমদি Managing Committee গী Meeting শিং পাঙথোক্তুনা মখাগী মীওইশিংসি মোত অমত্তা ওইনা Managing Committee Member শিং অমসুং Office Bearer শিং খনখ্রে। খল্লবশিংদুদি-

1. Loitongbam Sunil Singh - President
2. Wangkhem Prafulo Singh - Vice President
3. Khwairakpam Shyamananda Singh - General Scretary
4. Chingakham Chingkheisana Singh - Asstt. Secretary
5. Shamulailatpam Suraj Sharma - Treasurer
6. Yumlembam Kiran Meitei - M.C. Member
7. Langpoklakpam Priyokumar Meitei - M.C. Member

হায়রিবা অসিগী মতাংদা কনাগুম্বা/কনাগুম্বীশিংনা য়ানীংদবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্পা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৰাকৎ লৌজরোই।

N.B. : হান্নগী Letter Head, Club কী Seal অমত্তা চৎনররোই, অনৌবা চৎনজরগনি।

Sd/- **Kh. Shyamananda Singh**
Secretary,
Lamlongei Development Youth Club (LDYC)
Imphal West

HL-P/0392/19



### / WALLET LOST

I have lost my Wallet containing Aadhaar Card bearing no. 8297 9609 0408, PAN Card bearing no. ARGPN9947C, 1 number of ATM Card each for HDFC, SBI and ICICI Bank respectively, 2 nos. of Credit Card for ICICI Bank, Smart Card bearing Regd. No. MN04G 1188 issued by DTO, Thoubal and Driving Licence on the way between Laphupat Tera and Imphal on 03/10/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Rakesh Ningthoujam**
Laphupat Tera, # 7085294363

HL-P/0400/19



### / BANK PASSBOOK AND ATM CARD LOST

I have lost my Bank Passbook and ATM Card of SBI bearing A/C No. 33451715386 and CIF No. 87048350374 issued by State Bank of India, Wangoi Branch on the way from SBI, Wangoi Branch to my residence on 14th October, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Longjam Loyanganba Singh**
Yumnam Huidrom Makha Leikai
# 8414823157

HL-P/9542/19



### / BANK PASSBOOK LOST

I have lost my SBI Bank Passbook bearing A/C No. 30668119527 issued by SBI, Tonsen Primary School SMDC/VEC Chandel Branch on the way between Tonsen and Kakching on 10/10/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **M. Mekap Kom**
Tonsen Khullen Village
# 8414828742

HL-P/0402/19



### ALL MANIPUR PRIMARY TEACHERS ASSOCIATION (AMPTA) 2011, MANIPUR

(Joint Body of Hindi Primary Tachers and Primary Teachers)

### /G.B. MEETING NOTICE

লাক্লিবা তাং ২০/১০/২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা Yaiskul MDU Hall দা Primary Teachers 2011 Batch কী ওজাশিংগী Graduate Teacher দা Promotion কাবগী Final Stage য়ৌশিল্লকপদা তঙাই ফদনা Eligible ওইরবা ওজা খুদিংমক Promotion ফংহৌনানবগীদমক য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনবগী General Body Meeting অমা পাঙথোকচগনি। য়াম্না মরু ওইবা Meeting অসিদা ওজাশিংনা শুংশোই শোইদনা শরুক য়াবীয়ু, Meeting য়াওহৌদবা ওজাশিংগী ৰাকৎ Association না লৌজরোই।

Sd/- **Somorendro Haobijam**
Secy General,
AMPTA

HL-P/0382/19



### / MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of Main Senior Secondary Examination (AISSE) of year 2005 and bearing Roll No. 3214977 issued by CBSE on the way between Nagamapal and Checkon Bazar on 30th September, 2021. Finders may kindly contact through phone no. 9436035276 / 7085275079.

Sd/- **L. Deejesor Sharma**
Nagamapal, Paonam Leikai
Imphal West-795001

HL-P/0390/19



### / খঙহঞ্জবা

ভারতিয়া মজদুর সংঘ মণিপুর State অমদি M.S.P.D.C.L.E.E.U. গা পুন্না খুৎশম্নদুনা October 17 দগী হৌদুনা e-Shram Card শাবা, Aadhar শেমদোকপা লোয়ননা Bank Account হাংবগী থবক লেপ্তুনা চৎথরক্লি। Ima Leishana Women Street Vendor গী Member শিং, Anganwadi Worker/Helper শিংগী Card শিং অসি শাবগী থৌরম অমা Ghari দা Bharatiya Mazdoor Sangh গী Saha-Sangadhan Mantri Shree N. Tomba Singh, B.M.S. Manipur State কী Vice-President N. Baleshwor Singh, M.S.P.D.C.L.E.E.U. গী President Shree Yumnam Ningthem Singh অমদি B.M.S. কী Executive Member শিংসু থৌরম অসিদা শরুক য়াবীখি। চৎথরক্লিবা থৌরম অসিদা চাওরাক্লা মীওই ২০০ হেনবনা e-Shram গী Card শাবগী খুদোংচাবা ফংহনখি লোয়ননা মখা তানা হায়রিবা থৌরম অসি মণিপুরগী মফম কয়াদসু B.M.S. না চৎথখিগিনি।

Sd/- **N. Helen Devi**
Publicity Secretary,
Bharatiya Mazdoor Sangh (BMS)
Manipur State

HL-P/0391/16